**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 20.10.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না সভাপতি ওইদুনা ঙসি নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখিবা মীফমনা রাজ্য অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে।

২) রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর কম্মিসনার এম. জোয়না হায়রি- মণিপুরগী লাই হরাউববু য়ুনেস্কোগী ইন্তেনজিবল কলচরেল হেরিতেজ ওফ হ্যুমেনিতিগী রিপ্রজেন্তেতিভ লিষ্টতা হাপ্লীনবা প্রপোজেল থাখ্রে।

৩) মণিপুরদা হৌখিবা পুং ২৪ দা মীওই ৯৬ নৌনা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইদুনা অপুনবা পোজিতিভ ওইবা মশিং লিশিং ১,৬১৯ য়ৌরে।

৪) প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিদা হৌখিবা চহি তরা অসিদা অনা লায়েংগী লমদা চাউনা অওনবা পুরকপা ঙমলে।

অমসুং

৫) কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মন্দাভিয়ানা হায়রি- সরকারনা ভারতপু মালেমগী শান্ন খোৎনবগী লমদা খ্বাইদগী মকোক থোংবা লৈবাক তরাগী মনুং চলহন্নবা হোৎনরি।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না সভাপতি ওইদুনা ঙসি নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা রাজ্য অসিগী খুঙ্গং অমসুং সহরগী লমশিং হেন্না চাওখৎহন্নবগী মতাংদা কুপা খন্ন-নৈনখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মীফম অদুদা পি.দব্লিউ.দি অমসুং য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজম অমসুং চীফ সেক্রেটরি বিনিত জোসি শরুক য়াখি। মীফম অদুনা লন্থী থোং শেন্বা য়াওনা অতৈ চাওখৎ থৌরাং কয়াগী মতাংদা কুপা খন্ন-নৈনখি। নৌনা পায়খৎকদবা প্রোজেক্টশিংগী মতাংদসু মীফম অদুনা খন্নখি হায়রি।

অমরোমদা, মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা ঙসি কেন্দ্রগী পার্লিয়ামেন্টরি অমসুং মাইনোতিরি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজগা নিউ দিল্লিদা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা মাইনোরিতি এফ্যারস মন্ত্রালয়গী মখাদা রাজ্য অসিদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং হেন্না খুমাং য়াংশিন্না পায়খৎনবগী মতাংদা খন্নখি। লোয়ননা রাজ্য অসিগী শান্নরোইশিংগী হৈ শিংবা হেনগৎহন্নবা মণিপুরদা ৱার্ল্ড ক্লাসকী ফুটবোল ষ্টেদিয়ম অমা শাননবগী মতাংদসু কুপা খন্নখি হায়রি।

নিংথৌ (এল)ঃ মণিপুরগী তম্পাক্তা লৈবা তোঙান তোঙানবা জিলা ৬ কী পঞ্চায়ট এদমিনিষ্ট্রেতিভ কমিতিশিংগা রাজ্য সভাগী এম.পি. নিংথৌ সনাজাউবা লৈশেম্বগা ঙসি উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে। উন্নবা অদুদা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎনবা হোৎনবদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া পুথোক্তুনা খন্নখি।

জোয় (এল)ঃ রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর অমসুং আই.পি.আর কম্মিসনার এম. জোয়না হায়রি- আর্ট এন্দ কলচর বিভাগনা মণিপুরগী লাই হরাউববু য়ুনেস্কোগী ইন্তেনজিবল কলচরেল হেরিতেজ ওফ হ্যুমেনিতিগী রিপ্রজেন্তেতিভ লিষ্টতা হাপ্পীনবা প্রপোজেল অমা হন্দক থাখ্রে।

রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্সনা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র কলচরেল ফাউন্দেসন মণিপুর, সাহিত্য থৌপাং লুপ অমসুং মণিপুর সাহিত্য পরিষদ ত্রিপুরাগা পুন্না খুৎশমদুনা ঙসি ইম্ফালগী দি.আই.পি.আরগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকপা লৈখিদ্রবা আর.কে. কমলজিৎকী মপোক কুমওন থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী জোয়না হায়- মণিপুরগী নট সংকৃটন অসি ২০১৩ গী

দিসেম্বর ৪ দা য়ুনেস্কোগী ইন্তেনজিবল কলচরেল হেরিতেজ ওফ হ্যুমেনিতিগী রিপ্রজেন্তেতিভ লিষ্টতা মমাংদা হাপখ্রে। মহাকা হায়- ত্রিপুরাগী লৈখিদ্রবা আর.কে. কমলজিৎ সিংহা অসি ত্রিপুরা লেজিসলেতিভ কাউন্সিলগী এম.এল.এ ওইরম্বতা নত্তনা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ত্রিপুরা লিংখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা মীওই অমনি।

ওসিগী থৌরমদুদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ত্রিপুরাগী প্রসিদেন্ট এল. বিরমঙ্গল সিংহা, রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র কলচরেল ফাউন্দেসন মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট জি. রঞ্জিৎ শর্ম্মনচিংবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

জিরি (এল)ঃ জিরিবাম জিলাগী মনুং চন্না লৈবা জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনদগী কিলোমিতর ১২ রোম চৎলগা লৈবা সোনাপুর গ্রাম পঞ্চায়টকী নুনখাল ভিলেজদা লৈবা রবর ফার্ম হাউস অমা ঙরাং অহিং মৈ থাদোক্লল্লে। ফার্ম হাউস অসি হিল ঘাৎ গ্রাম পঞ্চায়যকী হৌজিক হৌজিক প্রধান ওইরিবা মীওই অমগীনি হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা জিরিবাম পুলিস ষ্টেসন্না কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিনবা হৌখ্রে।

নিউজ (এল)ঃ অকাশবানি ইম্ফালগী নুংতিগী শন্দোক্লিবা এফ.এম. হেদলাইন্স পাউগী মতমদা অহোংবা খরা লৈরগনি।

হান্না অয়ুক পুং ১০ মিনিত ৩৫ দা শন্দোক্লবা হেন্দলাইন্স অদু অয়ুক পুং ১০ মখায়দা, নুংথিল পুং ২ দা শন্দোক্লম্বা হেদলাইন্স অদুনা নুংথিল পুং ১ মিনিত ১০ দা অমসুং নুংথিল পুং ২ মিনিট ৫৮ দা শন্দোক্লম্বা অদুনা পুং ২ মখায়দা অমসুং নুংথিল পুং ৩ মখায়দা শন্দোক্লম্বা অদুনা পুং ৩ মিনিত ২৮ দা ওইনা শন্দোক্লগনি। অদুমওইনমক, অয়ুক পুং ৮ মিনিত ৩৫ অমসুং অয়ুক পুং ৯ মিনিত ২৮ দা শন্দোকপা হেদলাইন্সকী মতমদি অহোংবা লৈরোই। অনৌবা মতম অসি হয়েং নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌগনি।

দেঙ্গি (এল)ঃ     রাজ্য অসিদা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা মশিং লিশিং ১,৬১৯ য়ৌরে। ষ্টেট মেলেরিয়া ওফিসার ডাঃ শলাম প্রিয়োকুমারনা হায়- হৌখিবা পুং ২৪ দা রাজ্য অসিদা মীওই ৯৬ দেঙ্গি পোজিতিভ ওইখি। হৌজিক ফাওবদা দেঙ্গিনা মরম ওইদুনা মীওই মরি লৈখিদ্রে। মতম খরগী মমাংদা দেঙ্গিনা নাবা মীগী মশিং য়ামা থুনা হেনগৎলম্বা অদু ইংবা হৌরকপগা লোয়ননা হৌখিবা নুমিৎ নিনি হুমি অসিদদি ফিভম খরা ফগৎলক্লে।

ডে (এল)ঃ  ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চন্না লৈবা ৱাংগোই সি.ঐচ.সিদা ঙসি ৱার্ল্ড হোসপিচ এন্দ পেলিয়েতিভ কেয়ার ডে পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংবগা লোয়ননা য়ুম য়ুমদা চংদুনা পেলিয়েতিভ কেয়ারগী মতাংদা ৱাখল তাহনবা অমসুং হিদাক লাংথকশিংসু য়েন্থোকখি।

পেন্সন (এল)ঃ        থৌনাউজম চাউবা মেমোরিয়েল চেরিটেবল ট্রষ্টনা ওল মণিপুর দিসএবল এন্দ হেন্দিকেপ পার্সন্স দিভলপমেন্ট এজেন্সিগা খুৎশমদুনা শিংজমৈ কেন্দ্রগী মনুংদা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদবা মীওইশিংদা পেন্সনগী শেনফম য়েন্থোকখ্রে।

শিংজমৈ চীংঙামখা ক্ষেত্রি লৈকাইদা লৈবা এজেন্সি অসিগী শঙলেনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা থৌনাউজম চাউবা মেমোরিয়েল চেরিটেবল ট্রষ্টকী মেনেজিং ট্রষ্টি থৌনাউজম রোমেন্না হায়- মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা অহল ওইরবা মীওইশিং অমসুং লুখ্রাবীশিংদা  ট্রষ্ট অসিনা ঙমজবা পেন্সনগী শেনফম পীদুনা লাক্লি।

মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদসু ট্রষ্টকী মাইকৈদগী অঙম্বা মতেং কয়া পাংখ্রে। শিংজমৈ কেন্দগী ওইনসু ঙসিদগী হৌদুনা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদবশিংদা পেন্সন য়েন্থোকপা হৌবনি। হায়রিবা পেন্সন অসি থা অহুম অহুম পুনশিন্দুনা চহি অমদা মরিরক য়েন্থোক্কনি। মসিগী মথক্তা কেন্দ্র অসিগী মনুংদা লৈবা লুখ্রাবীশিং অমসুং চহি ৭০ গী মথক্তা লৈবা অহল ওইরবা মীওইশিংদা

লাক্লিবা দিসেম্বর থাদগী পেন্সন পীনবা কন্না হোৎনরি হায়না শ্রী থৌনাউজম রোমেন্না মখা তানা ফোংদোকখি।

ককচিং (এল)ঃ ইং কুমজা ২০১৬ কী দিসেম্বর ৮ দা নৌনা শেমখিবা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট করিগুন্বা ফিভম অমত্তদা হন্দোকপা য়ারোই হায়রি। জোইন্ট নন-গভর্নমেন্ট ভোলুন্তরি ওর্গনাইজেসন্না ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ওর্গনাইজেসন অসিগী মীহুৎশিংনা হায়- ককচিংবু জিলা অমা ওইহনবা হায়বসি য়ামা মরম চাই হায়নদুনা মতম শাংনা খোঙজং কয়া চংশিল্লবা মতুংদা জিলা অমা ওইবা ফংলকখিবনি। অদুবু হন্দক্তা নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখিবা ৱারী শান্নবা অমদা হান্না শেমখ্রবা জিলাশিং হন্দোকবা ৱাফম য়াওশিল্লকপা অসি ওর্গনাইজেসন অসিনা য়াবা ঙমলোই। হিরম অসিগী মতাংদা থা অসিগী ৪ দা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি, মণিপুরগী মুখ্য মন্ত্রি অমদি চীফ সেক্রেটরিদা চেরোলশিং পীদুনা তকশিনখিবা লৈরে।

হোম গার্দ (এল)ঃ হোম গার্দ পার্সোনেলশিংগী থবক তৌবগী মতম চহি ৬০ দগী ৬৫ ফাওবা শাংদোকপগী ৱাফম সরকারনা খন্ননবা মণিপুর হাই কোর্টনা খঙহনখ্রে হায়রি। মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না হোম গার্দ পার্সোনেলশিং থবক তৌবগী চহি শাংদোকপীনবা সরকারদা তকদুনা লাকখিবনি।

ৱাকৎ (এল)ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট য়ুনিয়নগী মখাদা পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌরিবশিংদা পুবা থাংবা ঙমলোইদবা শেলগী দিমান্দ তৌরকপগী মায়োক্তা ঙসি য়ুনিয়ন অসিগী মেম্বরশিংনা পেসেঞ্জর সার্ভিস লেপ্পুনা ৱাংজিং কোদোমপোকপীদা ৱাকৎ মীফম চখখ্রে।

একজিবিসন (এল)ঃ নুমিৎ মরিনি চখরকপা থোইথোইবা ময়াংলম্বমগী সোলো আর্ট একজিবিসন শকাইরবশিংগী লিক্লু পরেং, অহুমসুবা তাঙ্কক ঙসি

কোনুং মমাংদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লিলা শঙলেনদা লোইশিনখ্রে। শকয়েং মিংশেল মণিপ্‌রনা শিনবা একজিবিসন অসিদা ক্লাস থ্রিদগী ফাইভ ফাওবগী মহৈরোইশিংগী লাইয়েকপা চাংদমবা অমসু পাঙথোকখি।

ৰার্কসোপ (এল)ঃ নোনে জিলাগী লোংজাং ভিলেজদা ঙসি ইন্তিগ্রেতেদ সোসিয়েল ইন্সটিটুট্যসনেল দিভলপমেন্ট ফোর ইন্পৱারমেন্টকী মতাংদা মীয়াম্বু ৱাখল তাহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা লম অসিদা খঙ হৈরবা মীওই কয়ানা ৱা ঙাংখি।

ব্লড (এল)ঃ লাইফ সেভরস মণিপুর, সেভি মণিপুর অমসুং ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি ইম্ফাল ৱেষ্টনা খুৎশমদুনা ঙসি রিমসতা লেমা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা পুন্না মীওই ১৫ না ঈ দান তৌখি।

এথলেটিক্স (এল)ঃ মণিপুর মাষ্টর এথলেটিক্স এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা ঙরাংদগী চত্থরকপা ৪৫ শুবা ওল মণিপুর মাষ্টর এথলেটিক্স চেম্পিয়নসিপ কম ত্রাইয়েল সেলেক্সন ঙসি লোইশিনখ্রে। মদুদা নুপা এথলেট ১০৮ অমসুং নুপী এথলেট ৮১ পুন্না শান্নরোই ১৮৯ শরুক য়াখি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- হৌখিবা চহি তরা অসিদা লৈবাক অসিদা অনা লায়েংগী লমদা চাউনা অওনবা পুরকপা ঙমলে।

মহাক্কী লোক সভা কেন্দ্র ওইরিবা বরানাসিদা ঙসি আর.জে. সনকারা আই হোস্পিতাল শঙ্গাবগী থৌরমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- কাশি অসি হৌজিক্তি লৈবাক অসিগী য়ামা চাউবা হেলথ কেয়ার হব অমা ওইবা ঙমলে। মহাকা হায়- লাক্লিবা চহি মঙাদা মেদিকেলগী সিট লিশিং ৭৫ হেন্না হাপচিনদুনা লৈবাক অসিগী হেলথ কেয়ার সিষ্টেম হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনরগনি। মহাক্কী সরকারনা হেলথ কেয়ার সেক্তরদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং শিংথারদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- হৌখিবা চহি তরা অসিদা পুরবানচলদা আয়ুসমান অরোগ্যা

মন্দির লিশিং ৫,৫০০ হেন্না লিংখৎখ্রে। মসিদা হিদাক লাংথকশিংগী মমল চাদা ২৫ হন্থনা ফংহনবা ঙমলে। মহাক্কী সরকার লাকখ্রবা মতুংদা মিসন ইন্দ্রধনুসনচিংবা অচৌবা ইম্ম্যুনাইজেসন প্রোগ্রামশিং পায়খৎতুনা অঙাং অমসুং মীরোনবী লাখ কয়াদা চাউনা কান্নবা পীরে।

রাষ্ট্রপতি ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা নিউ দিল্লিদা লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মঙাসুবা নেসনেল ৱাটর এৱার্দস ২০২৩ য়েন্থোক্লগনি।

মসিগীদমক কেন্দ্রগী জল শক্তি মন্ত্রালয়না বেষ্ট ষ্টেট, বেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট, বেষ্ট ভিলেজ পঞ্চায়ট, বেষ্ট অরবান লোকেল বোদি, বেষ্ট ৱাটর য়ুজর এসোসিয়েসন য়াওনা তোঙান তোঙানবা মনা ৩৮ লাউথোকখ্রে। খ্বাইদগী ফবা রাজ্যগী মনানা উরিষানা তারে। উত্তর প্রদেশনা অনিসুবা অমসুং গুজরাত অমদি পুদুচেরিনা পুন্না অহুমসুবা তারে। মন্ত্রালয়গী পাউনা হায়- ঈশিং শিজিন্নবা অমসুং মসিবু য়োক্তুনা থমবগী মতাংদা সরকারনা জাতিগী থাক্তা মীয়াম্বু ৱাখল তাহন্নবা থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি। সরকারনা পায়খৎলিবা জল সমরিধ ভারতকী ভিজন মঙফাওনহন্নবা হোৎনবদা লনাই মীওইশিং অমদি ওর্গনাইজেসনশিংনা লৌরিবা থৌদাংবু শক খঙদুনা নেসনেল ৱাটর এৱার্দ অসি পীবনি।

স্পোর্টস ঃ কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মন্দাভিয়ানা হায়রি- সরকারনা ভারতপু মালেমগী শান্ন খোৎনবগী লমদা খ্বাইদগী মকোক থোংবা লৈবাক তরাগী মনুং চলহনবা ঙমবা কন্না হোৎনরি।

তিরুভনন্থপুরমগী কোদিয়রদা ঙসি স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়াগী অপগ্রেদ তৌরবা গোল্ফ কোর্স অমা শঙ্গাবগী থৌরমদা মন্ত্রিনা হায়- গোল্ফ মশান্নগী লমদসু ভারতকী শান্নরোইশিংগী থোইদোক হেন্দোকপা হৈ শিংবশিং লৈ। ইং ২০৪৭ ফাওবগী মনুংদা ভারতপু চাওখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা থল্লিবা পান্দম অসি ফংনবা হোৎনবদা ভারতমচা পুমমক মশা মউ ফনা লৈহনবা তঙাইফদে। মসিগী মথক্তা পুকিং ৱাখল অমসুং খুন্নাইগী হিরম খুদিংমক ফিভম ফনা থমবসু হোৎনগদবনি।

ভিজিটঃ কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি-ধমেন্দ্র প্রধান, নুমিৎ তরেৎনিগী সিঙ্গাপুর অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি।

খোঙচৎ অসিদা মন্ত্রিনা শিক্ষাগী লমদা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া লৈবাক অনিগা খন্নরক্কনি। অহানবগী খোঙচৎ সিঙ্গাপুরদা চৎকনি। মন্ত্রিনা সিঙ্গাপুরদা নুমিৎ নিনি লৈদুনা লৈবাক অদুগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং অমদি মফম অদুদা লৈবা ভারতমচাশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি। তুংদা, ওষ্ট্রেলিয়াদা অমুক চৎকনি। মহাকা ওষ্ট্রেলিয়াদা লৈবাক অদুগী শিক্ষা মন্ত্রি জাসন্ট ক্লারে এম.পিগা মেলবোর্নদা থা অসিগী ২৩ দা উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি। মফম অদুদা পাঙথোক্কদবা ওষ্ট্রেলিয়ান ইন্তরনেসনেল ইজ্‌কেসন কনফরেন্সতা শ্রী ধরমেন্দ্রনা ৱা ঙাংগনি।

জেকে ঃ কাশ্মীর তম্পাক্তা সেক্যুরিতি ফোর্স অমসুং তেরোরিষ্টশিংগী মরক্তা খুৎ থোকখ্রে। উরি এরিয়াদা লৈবা লাইন ওফ কন্ত্রোল পরিংদা চিংননিঙাই ওইবা মওংদা মীওই খরা চৎথোক চৎশিন তৌবগী পাউ ফংবদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা চংশিল্লুবদা খুৎ থোকবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। মদুদা তেরোরিষ্টশিং অদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনসু খুৎ হন্দুনা নোংমৈ কাপখি। মখা তাবা অকুপ্পা পাউ ঙাইহরি।

ইজরেল ঃ ইজরেলনা গাজাগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা বাইট লাহিয়াদা এটেক চথুরকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ৭০ হেন্না শিখ্রে। গাজাগী গভর্নমেন্ট মিদিয়া ওফিসকী পাউনা হায়- থৌদোক অদুদা শিবা মীগী মশিং হেনগৎলকখিবা য়াই। মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক কন্না চথুরি। মফম অদুদা ইজরেলগী মিলিটরিনা নুমিৎ ১৬ নি চুপা চীঞ্জাক, হিদাক লাংথক অমসুং ঈশিং পীবা থিংখিবদগী অৱাবা ফিভম অমা মায়োকদুনা লাক্লি।

অমরোমদা, ইজরেলি দিফেন্স ফোর্সনদি হমাসনা মীওই ৭০ শিরে হায়না ফোংদোক্লিবা ৱাফম অদু মশিং হেন্না হায়জিনবনি হায়না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

------